# লোক সভানা রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস পাস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): লোক সভানা ঙসি রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজগী দিমান্দস ফোর গ্রান্দস পাস তৌখ্রে। য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱে মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা মপুং ফাবা পাউখুম অমা পীখ্রবা মতুংদা হাউসনা দিমান্দস ফোর গ্রান্দস পাস তৌখিবনি।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অধির রঞ্জন চৌধুরি, ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বন্দিওপধ্যাই অমদি আর এস পিগী প্রেমচন্দ্রননচিংবা তোঙান-তোঙানবা মেম্বরশিংনা পুখৎলকপা ৱাহংশিংগী মতাংদা মিনিষ্টর গদকারিনা মতিক চাবা পাউখুম পীখ্রবা মতুংদা হাউসনা ভোইস ভোটতা দিমান্দস ফোর গ্রান্দস পাস তৌখি।

হিরম অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, থা ৪গী মনুংদা হায়ৱে খুদিংমক্তা ফষ্টটেক লৈরগনি। গাড়ি খুদিংমক্তা তঙাইফদনা ফষ্টটেক য়াওহনবগী মথৌ তারগনি।

অমরোমদা, রাজ্য সভানা দি এয়রপোর্টস ইকনোমিক রেগ্যুলেটরি ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এমন্দেমেন্ট) বিল ২০১৯ পাস তৌখ্রে। বিল অসিগী মতুং ইন্না চহীদা পেসেঞ্জর মিল্লিয়ন ৩.৫ হেন্না লাকপা এয়রপোর্ট খুদিংমক মেজর এয়রপোর্টনি হায়না লৌরগনি। হান্নদি চহীদা পেসেঞ্জর মিল্লিয়ন ১.৫ লাকপা এয়রপোর্ট খুদিমংক মেজর এয়রপোর্টনি হায়না লৌরম্লনি।

বিল অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর সিভিল এভিয়েসন হরদিপ সিংহ পুরিনা হৌজিক হৌজিক সিভিল এভিয়েসন সেক্টরনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাখলদা ফাওরিবা ৱাফম পুম্নমক কোকহন্নবা হোৎনখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা এপ্রিল থাদা মরু ওইবা এয়র লাইন অমা থবক লেপখিবা তারবসু এয়রলাইন কম্পেনি ৫২০ মথৌ নীংথিনা তৌখি। লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক এয়রলাইন কম্পেনি ৫৮০ লৈরে। এরোপ্লেন তোংবগী অতোংমল হন্থহনবা ঙম্লে। এয়র ইন্দিয়ানা দিসইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, শেনবা চহী ২০১৮-১৯ লোইশিল্লকপদা এয়র ইন্দিয়াগী য়াল্লবা শেনফম অমা মাংলে হায়বা খঙলকখি। শেন্দোল শীংবা ঙমদবা মরম্না এয়র ইন্দিয়াগী ফিভম শোকচিল্লকখিবনি।

জেট এয়রৱেজনা থেংনখিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রাইভেট কম্পেনি অমনা থবক ফজনা তৌবা ঙম্লক্তবগী থৌদাং লৈঙাক্লা লৌফম থোক্তে।

# এম পি খরনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম চাং নাইনা য়াওদবগী থৌওং প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর খরনা রোষ্টর ঙাক্তবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি) পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মিনিষ্টর খরনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা য়াওদবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। কনাগুম্বনা মীফম য়াওদবা থোক্লবদি নুমিৎ অদুমক্কী মীফম লোইবা মতমদা পাউ পীরক্কদবনি হায়নসু মহাক্লা খঙহনখি।

পার্লিয়ামেন্টকী মীফম চথুরিঙৈগী মনুংদা এম পিশিংগী ওইবা রোষ্টর অমা শেম্মী। কনাগুম্বা এম পিশিংনা রোষ্টর ঙাক্তবা থোক্লবদি নুমিৎ অদুমক্তদা পাউ পীরক্কদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর প্রলহাদ জোসিদা মহাক্লা খঙহনখি। এম পি অমনা হাউসকী মীফমদা তঙাইফদনা শরুক য়াবগী ৱাফম রোষ্টরদা ময়েক শেংনা য়াওরি। ৱাফম অসিমক য়ুনিয়ন পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টরদসু খঙহল্লি।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা লৈঙাক্কী ওইবা থৌরম অমদি স্কিম পুম্নমক্তা শরুক য়াগদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। খুন্নাইগী ওইবা মরু ওইবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা য়ারিবমখৈ শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা পোলিটিক্সকী ৱা ঙাক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা হিরম কয়াদসু থবক পায়খৎনবা হোৎনগদবনি হায়না পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্ল রকপা মতমদা এম পিশিংনা মীয়ামদা ঈশিং ফঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। থবক থৌরম খুদিংমক্তা মীচম মীয়ামগা খুৎশম্নবা তঙাইফদে। এম পি খুদিংমক্লা মশা মশাগী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মশক থোকপা থৌরং অমা শোইদনা লৌখৎনবা হোৎনগবনি হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী লাইব্রেরি বিল্ডিংদা পাঙথোকখিবা বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমিত সাহ য়াওনা লোক সভা অমদি রাজ্য সভাগী এম পি পুম্নমক শরুক য়াখি। হন্দক্তসু এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা চাং নাইনা শরুক য়াদবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

জুন ২১দা লোক সভানা ত্রিপল টলাককী বিল খন্নখিবা মতমদা এম পি অয়াম্বা লাকখিদবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# বিহারগী ঈচাওদা মীওই ২৫ শীরে, দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মীওই লাখ কয়ামরুম অৱাবা মায়োক্নরি ঃ নিতিস কুমার



পটনা, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): বিহারগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদা মীওই ২৫ শীখিবগা লোয়ননা মীওই লাখ ২৫.৭১ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরে হায়না চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

এসেমব্লীগী মীফমদা ৱা ঙাংখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক খোঙজেল য়াংনা পায়খৎনবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা খঙহনখ্রে। রিলিফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনদা শীজিন্নবা নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ)না মথৌ পাঙথোকপা হোৎনরি।

এন দি আর এফ অমসুং এস দি আর এফনা মোটোর বোদ শীজিন্নদুনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎনবা মাংজৌননা খঙহনবা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্প ১৯৯দা মীওই লাখ ১.১৬না চংজফম লৌরি।

অৱাবা তারবা মীয়ামদা মতম চানা শেলগী তেঙবাং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ খরনি নেপালদা নোং কন্না চুখিবা মরম্না বিহারগী তুরেল অয়াম্বা ঈমায় পাথোরকপনি। ওপোজিসন পার্টিশিংনদি ঈচাওগী মতাংদা লৈঙাক্তনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। রাষ্ট্রিয়া জনটা দল (আর জে দি)গী লুচিংবী রাব্রি দেবীনসু ঈচাওগী মতাংদা লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এসেমব্লী কমপ্লেক্সতা প্রোটেষ্ট তৌখি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরদা কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা টেররিষ্ট ৯৬৩, সিক্যুরিটি পার্সনেল ৪১৩ শীখ্রে ঃ হোম মিনিষ্ট্রি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাস্মিরদা কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা টেররিষ্ট ৯৬৩ সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎপা ঙমখ্রে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা কাস্মির তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা সিক্যুরিটি পার্সনেল ৪১৩ শীখি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা টেররিজমগী মায়োক্তা অকনবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবগা লোয়ননা কাস্মির তম্পাক্তা চথখিবা ওপরেসনদা নাকল অনীমক্কী মরক্তা অশি-অনা অমসুং অশোক-অপন য়াওবগী চাং ৱাংনা লৈখি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, সেন্ট্রেল আর্ম পুলিস ফোর্সেস খুদিংমক্কী দেজিগনেটিদ ওফিসর অমমম হেদ ক্বার্টর খুদিংমক্তা থম্মী। য়ুনিটকী থাক্তা ৱেলফেয়র ওফিসরশিংসু থমদুনা মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংগী ইমুং মনুংনা থেংনহৌরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স শ্রীপাদ নায়কনা রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৮দা টেররিষ্টশিংনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা এটেক চথবগী থৌদোক ৩১৮ থোকখি। কুমজা ২০১৭কা চাংদম্নবদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথবগী থৌদোক ১৮৭ হেনগৎলকখি। রাজ্য সভাগী এম পি বিজয় গোয়লনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সনা হায়খি মদুদি তোঙান-তোঙানবা কাউন্টর টেররিষ্ট অমসুং কাউন্টর ইনফিলট্রেসনগী থৌদোকশিংদা টেররিষ্ট ২৬৫ হাৎপা ঙমখি। দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা চথখিবা ওপরেসনদা টেররিষ্টশিং হাৎপা ঙমখিবনি। হায়রিবা চহী অদুমক্তদা আর্মি পার্সনেল ৪৩ টেররিষ্টশিংগী মথক্তা চথবদা ওপরেসনদা শীখি।

চৎলিবা চহী অসিদসু টেররিষ্টশিংনা এটেক চথবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১৪দা টেররিষ্টশিংনা পুলৱামাদা সি আর পি এফকী কনভোই অমদা চথরকখিবা এটেক্তা পার্সনেল ৪০ শীখিবনি। জুন থাদনা অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা সি আর পি এফ পার্সনেল ৫ শীখি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা বি জে পি অমসুং ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী সপোর্টর মশেল খুৎ থোক্লখ্রে



কোলকতা, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): কোলকতাগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৮০ লাপ্না লৈবা বোঙ্গাওন ম্যুনিসিপালিটি মমাঙদা বোম লংশিল্লকখিবগা লোয়ননা ত্রিণামুল কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী সপোর্টর মশেল খুৎ থোক্লখ্রে।

লোকে অরবান বোদি অসিদা থাজবগী ভোট লৌনখিবগী মতাংদা নাকল অনী চাওনা উংখৎনরকখিবনি। ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী কাউন্সিল্লর কয়ামরুম বি জে পিদা য়াওখিবগী মতাংদা নাকল অনীগী সপোর্টরশিং খুৎ থোক্লবা হৌরকপদা পুলিসনা ষ্টন গ্রেনেদ শীজিন্নদুনা ফিভম লাকশিন্নবা হোৎনখি।

বোঙ্গাওন ম্যুনিসিপালটিগী অপুনবা কাউন্সিলর ২২গী মনুংদা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী কাউন্সিলর ১৯ লৈরম্বদগী মমাঙ থাদা কাউন্সিলর ১২ বি জে পিদা য়াওখি। চৈরকসিদা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী কাউন্সিলর অমনা থাজবগী ভোট লৌরম্লমদাইদা মহাকপু বি জে পিগী কাউন্সিলর অনীনা ফানবা হোৎনখি হায়না মরাল শীরকখ্রে।

বি জে পিগী কাউন্সিলর অনীমক কেস অসিগী মতাংদা এন্টিসিপেটরি বেল লৌখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা কাউন্সিলর অনীমক থাজবগী ভোট লৌবদা য়াওহনখিদে। চৈরক্তুদা বি জে পিগী সাপোর্টরশিংনা মফম অদু ঙাক্লিবা পুলিস পার্সনেলশিংগা খুৎ থোক্লরকপদগী ইরাং হেন্না চাওথোরকখি। মনাক নক্লা লৈরম্বা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী সপোর্টরশিংসু য়াওশিল্লক্তুনা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নাকল অনীগী সপোর্টরশিং অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরকপদগী অকোনবদা বি জে পি অমসুং ত্রিণামুল কোংগ্রেসনা থাজবগী ভোট লৌনবদা নাকল অনীমক মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌখি।

# লুপা ক্রোর ৫৬০ মাংজখি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): পাকিস্তাননা নুমিৎ ১৪০ নোংথক লম্বী থিংজিনখিবনা মরম ওইরগা এয়র ইন্দিয়াদা নুমিৎ খুদিংগী লুপা ক্রোর ৪ রোম মাংজখি হায়না সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরিনা ফোঙদোকখ্রে।

শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা এয়র ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ৭,৬০০ মাংখি হায়বা রিপোর্ট অমা থাগৎলকখ্রবা মতুংদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। পাকিস্তাননা নোংথক লম্বী থিংজিনখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইন্দিগোদা লুপা ক্রোর ২৫.১, স্পাইজ জেটতা লুপা ক্রোর ৩০.৭৩ অমসুং গো এয়রদা লুপা ক্রোর ২.১ মাংজখি হায়রি।

ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা বালাকোটতা লৈবা জাইস-ঈ-মহমদকী ট্রেনিং কেম্প অমদা নোংথক্তগী এটেক চথখ্রবা মতুংদা পাকিস্তাননা ফেব্রুৱারি ২৬তগী হৌনা নোংথকলম্বী পুম্নমক থিংজিনখিবনি। পাকিস্তাননা লৌখৎলকখিবা থৌরাং অদুনা মরম ওইরগা ইন্টর্নেসনল ফ্লাইট পুম্নমক লম্বী কোইথোক্লা পায়বগী মথৌ তারকপদগী অরেম্বদা য়াল্লবা শেনফম অমা মাংহনখিবনি হায়না সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।


ꯑꯔꯖꯦꯟꯇ ꯔꯤꯛꯋꯥꯌꯔ

## URGENT REQUIRE

Regd. No. IW (UP/0915(CE) of 2017), Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Urgent Imphal Post Vacancy – First Come First Chance | | | |
| | i. Programme co-ordinator (Hindi/English) | 5 | MSW | 8,000-20,000 |
| | ii. Manager | 4 | G | 8,000-18,000 |
| | iii. LOAN Manager | 8 | G | 7,000-16,000 |
| | iv. Accountant (Tally) GST | 5 | B.Com | 8,000-12,000 |
| | v. Customer Relation Office/CRO/RO | 20 | XII | 5,000-10,000 |
| | vi. Driver/Sweeper. | 7 | XII | 5,000-10,000 |
| | vii. Asst.Warden (M/F) | 2 | Graduate | 6,000-15,000 |
| | viii. Front Office Reception (Adidas Showroom) | 4 | XII/G | 4,500-10,000 |
| | ix. Computer Operator (First Choice) | 2 | BCA/MCA | Negotiable |
| | x. Man Security Guard/Ladies Security Guard | 15 | VIII | 5,000-10,000 |
| | xi. Home Delivery Staff/Sales Executive | 10 | VIII/X/XII | 5,000-10,000 |
| | xii. Writing Copy at Home (Housewife/Student) | 20 | VIII/X/XII | Rs. 350 per copy |
| | xiii. Sales Consultant | 10 | X/XII | 7,000-10,000 |
| | xiv. Washing Boy/Mechanic Helper/Paint/Denting | 8 | VIII/X | 4,000-10,000 |
| | xv. ITI Mechanic/Diesel/Motor Mechanic. | 5 | X/XII | 7,000-10,000 |
| | xvi. Credit Officer (Kakching Branch) | 3 | XII/G | 7,000-10,000 |
| | xvii. One Housekeeping | 3 | X/XII | 6,000-8,000 |
| | xviii. Housekeeping Trainer 3yrs Experience | 4 | Graduate | Negotiable |
| | xix. Food and Beverage Trainer 3yrs Experience | 4 | Graduate | Negotiable |
| | xx. Website Developing and Managing | 4 | Graduate | Negotiable |
| 2. | All India Post Vacancy Of Airlines & Airport at Bangalore(Semi Govt. Job) for - 100% Guide and Success Condition Apply | | | |
| | i. Cargo Loader | 30 | X/XII | 10,000-38,000 |
| | ii. Customer Service Agent(CSA) | 20 | G | 15,000-70,000 |
| | iii. Ground Staff/Retail/Duty Free | 40 | XII/G | 15,000-70,000 |
| | iv. Cabin Crew | 10 | G | 30,000-80,000 |
| | v. Porters Staff | 20 | XII | 10,000-30,000 |

Last Date of Submission : 29-07-2019
Date of Interview : 30-07-2019
Office Hour 10:00 a.m to 04.00 p.m

Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎: 8575764834 /8794951292/ 9077766104

HL-P/3324/4,4,8,10,12,15,17,19,21,23,24,25,26,27,29



## URGENTLY JOB NEWS

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | EDUCATION LOAN AVAILABLE (HURRY, HURRY) | | | |
| 2. | Direct selection & joint for Airport Job vacancy of IGI / North East / Bangalore & Hyderabad (Semi Govt. Job 50% seat reserved for ST) | | | |
| | i. Air Ticketing / Customer Service CSA | 17,000 – 90,000 | 50 | G/M |
| | ii. VIP Foreign Staff / Meet & Asst. Staff | 15,000 – 50,000 | 40 | XI/XII |
| | iii. Airport Driver (Heavy) | 15,000 – 60,000 | 20 | X/XII |
| | iv. G-Loader / Customer Potter | 13,000 – 40,000 | 50 | VIII/X |
| | v. Flight Cleaner/Cargo Asst. Staff | 15,000 – 50,000 | 30 | VIII/X |
| | vi. G-Retail CSA/G-Shopping Mall | 14,000 – 40,000 | 20 | X/XII |
| | vii. Air Hostess (Fresher) /Cabin Crew | 45,000 – 3 lakh | 20 | XII/G |
| 3. | In Imphal Post vacancy 100% success guide. | | | |
| | i. Office Reception (Female) | 4,000 – 10,000 | 10 | X/XII |
| | ii. Security Guard / Ladies Guard | 6,000 – 10,000 | 50 | VIII/X |
| | iii. VIP Gunman guard / Ex-Servicemen | 8,000 – 15,000 | 30 | VIII/X |
| | iv. Accountant / Cashier | 8,000 – 10,000 | 10 | B.Com |
| | v. Security Supervisor / Driver (D.I) | 7,000 – 15,000 | 40 | VIII/X |
| | vi. PHP, My SQL Web/Net Android Dev. | 8,000 – above | 5 | G/M |
| | vii. Soft Engg./Android Dev. (Fresh/Exp.) | 10,000 – above | 5 | G/M |
| | viii. Micro R.O. / Driver | 5,000 – 10,000 | 40 | VIII/X |
| | ix. Micro Finance P.R.O./Micro C.R.O. | 7,000 – 40,000 | 30 | XII/G |
| | x. Field Service Technician (M) | 7,000 – 10,000 | 10 | ITI (EL) |
| | xi. Store Keeper with Comp. knwld. (M) | 6,000 – 12,000 | 10 | G/M |
| | xii. Manager (M) | 8,000 – 20,000 | 10 | G/M |
| 4. | No Deposit work at Imphal. | | | |
| | i. Manager (M) / Accountant | 6,000 – 15,000 | 10 | G/M |
| | ii. Driver / Helper | 5,000 – 15,000 | 10 | VIII/X |
| | iii. Sales – executive (M/F) | 5,000 – 20,000 | 40 | X/XII/G |
| | iv. Juice Selling Water (M/F) | 5,000 – above | 30 | VIII/X |
| 5. | Banking Sitting Staff requirement | | | |
| | i. Banking sitting staff | 17,000 – 80,000 | 20 | G/M |

Date of Submission : 18-07-2019
Date of Interview : 19-07-2019
Pliz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/4350/24,27,1,4,6,8,11,13,15,17july


# খা থংবা মুম্বাইগী দোংগ্রি এরিয়াদা লৈবা বিল্ডিং অমা নিংখাইবগী থৌদোক্তা মীওই ১২ শীখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ১৬ (এজেন্সী): খাথংবা মুম্বাইগী কাহেন্নামীচিনবা দোংগ্রি এরিয়াদা লৈবা মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং অমা নিংখাইরকপদা মীওই ১২ শীরে হায়না মহারাষ্ট্রগী হাউজিং মিনিষ্টর রধাকৃষ্ণ বিখে পতিলনা ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, দোংগ্রি এরিয়াগী তন্দেল ষ্ট্রিটতা অখুবা মফম অমদা লৈবা মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং নিংখাইবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবা মীওই ৫০ রোম থিবা খঙদনা লৈরি। বিল্ডিংগী অতেক অকায় মরক্তা ননশিনখ্রবা মীওইশিং অদু শীরম্লগনি হায়না থাজনরি।

থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা মনাক নক্লা লৈবা মীওই কয়া চঙশিল্লক্তুনা অতেক অকায়শিং শেংদোকপদা মতেং পাঙখি। নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ)কী টিম অহুমসু থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লক্তুনা মী কনবা অমদি মতেং পাঙবগী থবক পায়খৎলি।

থৌদোক থোকফমদা লৈরম্বা মীওই অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মথোল মরি ৱাংবা বিল্ডিং অদু নিংখাইখ্রবা মতুংদা এম্বুলেন্স অমসুং ফায়র ব্রিগেটকী গাড়ি ১০ মফম অদুদা থুংলখি। চহী ১০০ হেল্লবা বিল্ডিং অমা নীংখাইখিবগী মতাংদা মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিসনা পাউমীশিংদা হায়খি, অরিবা বিল্ডিং পুম্নমক শীদোক্লবা মাঙংজৌননা খঙহনখ্রবনি।


ꯇ꯭ꯔꯦꯟ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.

HL-P/3399/17,19



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

Advertisement
Dated, the 16th July, 2019

No.MU/5-120/09/FCY(Pt):/1504 It is hereby notified that 3 (Three) Guest Faculty on contract basis will be appointed initially for a period of 6(six) months in the Department of Biotechnology through **walk-in interview**:

**Essential Qualifications:**
M.Sc. Biotechnology/Biochemistry
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subject.

**Honorarium:** Rs. 1,500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 50,000/- (Fifty thousand) only per month.

**Date of Interview: -** 23rd July 2019 at 11:00 A.M.

**Place of Interview: -** Vice Chancellor's Committee room, MU

Candidates are required to submit their bio-data along with supporting documents to the Head, Department of Biotechnology, Manipur University, Canchipur- 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

Sd/- H. Tongin Maring
Assistant Registrar(Faculty)

HL-B/5554/17